নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ

## মহৈলোয়শঙগী লুচিংবশিং শেমগৎপা





# নেস্নেল প্রোগ্রাম ডিজাইন এন্ড করিকুলম ফ্রেমৱার্ক

নেস্নেল য়ুনিভর্সিটি ওফ এজুকেস্নেল প্লান্নিং এন্ড এডমিনিস্ট্রেসন

## কাঙলুপকী মীওইশিং

রাস্মি ডিৱান
শুনিতা ছুঘ
কাসয়াপি অসৱর্ঠি
শুবিতা জি. ভি.
এন. মিঠলি
শিমা শিংহ
শ্রীয়া টিৱারি
জি. এস. নেগী
চারু সমিতা মালিক
ডরক্সন পারৱীন
মোনিকা বজাজ

নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ

# নেস্নেল প্রোগ্রাম ডিজাইন
# এন্ড
# করিকুলম ফ্রেমৱার্ক

নেস্নেল য়ুনিভর্সিটি ওফ এজুকেস্নেল প্লান্নিং এন্ড এডমিনিস্ট্রেসন

National University of Educational Planning and Administration (NUEPA)
(Declared by the Government of India under Section 3 of the UGC Act, 1956)

© NUEPA

First Published in Manipuri : June 2015

Published by the Registrar, National University of Educational Planning and Administration (NUEPA),
17-B, Sri Aurobindo Marg, New Delhi - 110016 and Designed by Digital Expression,
Layout by Bachan Singh, and Printed by Viba Press Pvt. Ltd. New Delhi - 110020

# ৱামাং য়ানবা

হৌথিবা চহি খরাসিদা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ইন্দিয়াগী স্কুল সিস্টেম অসি লৈবাক শিন-থুংনা শন্দোরকপা উরে। মসিনা প্রাইমরি এডুকেসন ফঙহনবা হায়বসিমদি পুমকোন-কোনখ্রে। সেকেন্ডরি থাক্কি স্কুলশীংশু মশিং য়াম্না হেঙ্গৎপদা নত্তনা লৈবাকসিগী মফম খরদদি অন্তরাস্ট্রগী থাক্তা পীবা ঙম্বা এডুকেসন অদু পীনবা খোংজেল য়াংনা চঙশিল্লি। মতৌ অসুম্না কান্টিটেটিভ এক্সপান্সন লৈহন্দুনা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বগী লমদা কোনশিনবদি য়াম্না য়াম্লে, তৌইগুম্বশুং কালিটিগী ৱাফমদি লৈহৌরি। অদুগা কালিটিগী ৱাফমদি মেক্রো লেবেল স্ট্রেটিজি খক্তনা পুরকপা ঙম্লোয়। অদুনা সিস্টেম লেবেল রিফোর্মদগী স্কুল লেবেল এক্সনশিংদা ওনশিন্নবা হোৎনরি। লৈরিবা স্কুল মশিং মিলিয়ন ১.৫ অসি সেন্ট্রেল লেবেল এক্সনগী খত্থাংদা মথৌ তৌহনবা ৱাগনি। অদুনা স্কুল অমবু তশেংনা কান্নবা মহৈ তম্ফমশঙ অমা ওইহনবদা লোকেল এক্টড়শিংবু শরুক য়াহনবা হায়বসি তঙায়ফদে। মসিমক নেস্নেল প্রোগ্রাম ওফ স্কুল লিডরসিপ  ডিভেল্পমেন্ট প্রোগ্রামগী পান্দম্নি। খোংজং অসিদা স্কুল হেডশিং অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মীশক অদু ওইরি।

ডোকুমেন্ট অসিদা পীরিবা প্রোগ্রাম ডিজাইন অমসুং করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসিনা স্কুল অমমমবু অহোংবা পুরক্নবা অমসুং চাওখৎহনবদা চঙগদবা মরু ওইবা পথাপশিং অদু পীরি। মসিদা কেপাসিটি ব্যুল্ডিং প্রোগ্রাম ফোড় লিডরসিপ  ডিভেল্পমেন্ট হায়বসিগা রিসর্স অমসুং ইন্সটিট্যুস্নেল নেটৱার্কিংগা মতেং পাঙনহন্নবগী তঙায়ফদবা অদুসু তাক্লি। স্কুল সিস্টেমদা লিডরসিপ  কেপেব্লিটিশিং চাওখৎহনবদা চঙগদবা মচাকশিং অমসুং থবক্কি মওং অদুসু নিংথিনা তাক্লি। লার্নর-লার্নেড অমসুং টীচিং হায়সিনা করিকুলম অসিগী থবক খুদিংমক্কি মরু ওইবা পান্দম্নি। করিকুলম অসিমক রাস্ট্যর অমসুং রাজ্যগী থাক্তা লিশাং-শিংনা থন্ন-নৈনরবা মতুংদা শাগৎখিবনি। মদুদা মশিং য়াম্লবা এক্সপার্টশিং অমসুং থাঙ্গৈশেংনা থবক পাঙথোক্লিবা ময়াম অমা খুৎশম্নহনখি। অদুনা করিকুলম অসিনা ওইহল্লিবসি স্কুলগী কালিটি অদুখক ফগৎনবা নত্তে। মসিনা ঐখোয়গী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফীভম অমদি অকোয়বদা লিংলিবা স্কুলশিংদা চঙগদবা মগুনশিং অদুসু শেমগৎনবা পীরি। করিকুলম অমা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ডোকুমেন্ট অমনি অমসুং মসি হোঙলক্লিবা স্কুল অমগী সিস্টেমগী মচাকশিং অদু পীবা ঙমগদবনি। ৱাফমশিমকনা NCSL, না লৈবাক শিনবা থুংনা করিকুলম অসি চৎনহল্লকপদা লমজিং-লমতাক ওইগদৌরিবনি।

নেস্নেল সেন্টর ফোড় স্কুল লিডরসিপকি টিম্না ডোকুমেন্ট অসি পুথোকপগীদমক ঐহাকনা থাগৎচরি। লোয়ননা রাজ্য সরকারগী ওঠোরিটিশিংনা, স্কুল হেডশিংনা অমসুং স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টকা মরি লৈনবা মরম্না য়াম্না কান্নবা শিজিন্নবা ফঙগনি হায়নসু থাজবা থমজরি।

New Delhi
February 14, 2014

R. Govinda
Vice-Chancellor

# থাগৎ ৱাহৈ

নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ (NCSL) হাইবসি স্কুল লিডরশিংবু লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং স্কুলশিংবু অহোংবা পুরক্নবা ৱাখল্লোন চেলহন্নবা NUEPA গী শরুক অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। NCSL অসি প্রোগ্রামগী মওং-মতৌ শেমগৎপা অমসুং স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট তৌবদা চপ-চানা থবক তৌবা ঙমগদবা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎপদা মায়োং য়ারি।

সেন্টর অসিনা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরকপদা মিনিস্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স ডিভেল্পমেন্ট (MHRD)না চাওনা তেংবাং পীবিবা অদুগীদমক ঐখোয়না থাগৎচরি।

ডোকুমেন্ট অসি রাস্ট্রগী থাক্তগী রাজ্যগী থাক ফাওবগী মরক্তা মরি শেমদুনা নেস্নেল সেন্টর ফোড় স্কুল লিডরসিপ (NCSL), নেস্নেল রিসোর্স গ্রুপ, রাজ্য সরকারশিং অমসুং স্টেট রিসোর্স গ্রুপশিংবু শম্নহন্দুনা তাঙকক কয়া থোকনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা শাগৎলকপনি। মসিদা শরুক য়াবিদুনা তেংবাংবীবা, লমজিং-লমতাক তৌবীখিবা অমসুং পুক্নিং থৌগৎপীখিবা মেম্বর খুদিংমকপুসু ঐখোয়না তৌবীমল থঙবা উৎচরি।

ঐখোয়গী লুচিং-পুরেল ওইবীখিবা শ্রী Aditya Natraj, শ্রী Sunil Batra অমদি শ্রীমতি Shashi Mendiratta গী মফমদসু থোয়দোক-হেন্দোকনা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

সেন্টর অসিনা য়াম্না নক্না নেস্নেল কোলেজ ওফ টিচিং এন্ড লিডরসিপ (NCTL, UK)গী কন্সল্টেন্টশিং, মপুং ওইনা শ্রী Dr. Robin Attfield অমদি Dr. Rashmi Sinha গা খুৎম্নদুনা থবক তৌথি।

ঐখোয়না শ্রী S.K. Bhatnagar, শ্রী Alka Negi অমসুং শ্রীমতি Gurmeet Sarang বুসু এডমিনিস্ট্রেটিভ অমসুং সেক্রেটরিয়েলগী তেংবাং পীবীবগীদমক থাগৎচরি।

ডিজিটেল এক্সপ্রেসনগী শ্রী Atanu Roy, শ্রী Rajesh Handa অমসুং শ্রী Birender Singh Negi, পুন্নমকনা ডোকুমেন্ট অসিবু ডিজাইন তৌবিখিবগীদমক থাগৎচরি।

NUEPA গী ইডিতিং এন্ড পব্লিকেসনগী অপুনবা টিম, মরু ওইনা শ্রী Somnath Sarkar, শ্রী Pramod Rawat অমসুং শ্রী Amit Singhal বুসু থমোয় শেংনা থাগৎচরি।

লোইশিল্লকপসিদা স্টেট অসিগী স্কুলশীংগী ওঝা মকোকশীং, স্টাফশীং অদুগা সাট্রশীংগী য়াইফনবা অসিগুম্বা অনৌবা থৌশীল অমা লমদম অসিদা মরু হুনবিবগীদমক SCERT, ইম্ফালগী Director, M. Meenakumari Devi অমসুং Project Officer, Mr. Ashok Kumar বুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

# মনিপুরিদা হন্দোকচবা

এস.সি.ই.আর.টি., মনিপুর

২৭–৩১ জানুৱারি, ২০১৫

হন্দোক্লোয়

১। শ্রীঃ রামেস্যোর সিংহ
২। শ্রীঃ গুনমনি সিংহ
৩। শাদীক শিদ্দিকি
৪। অকবর খান
৫। এফ.এ. শাজাড
৬। তখেল্লম্বম গীতাবলি

ইডিটর

১। শাদীক শিদ্দিকি
২। অকবর খান

# য়াওফম তাকপা


*ৱামাং য়ানবা* *III*
*থাগৎ ৱাহৈ* V

১. ৱাহৌদোক 1
নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ 2

২. ওপ্রেস্নেল ফ্রেমৱাক 4
রাস্ট্রগী থাক্তা 4
রাজ্যগী থাক্তা 5

৩. এপ্রোছ টু স্কুল লিডর্সিপ প্রোগ্রাম 6
অহানবা মচাক: করিকুলম এন্ড মেটরিয়েল ডিভেল্পমেন্ট 6
অনিশুবা মচাক: কেপাসিটি ব্যুল্ডীং 7
অহুমশুবা মচাক: নেটৱার্কিং এন্ড ইন্সটিট্যুস্নেল ব্যুল্ডিং 9
মরিশুবা মচাক: রিসর্স এন্ড ডিভেল্পমেন্ট 10

৪. করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর স্কুল লি্ডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট 11
ওভরআর্কিং গোল্স 12
গ্বাইডীং প্রিন্সিপল্স 12
করিকুলম ইমপ্লিমেন্টেসন 12

৫. কি এরিয়াশীং 13
অহানবা কি এরিয়া: পর্স্পেক্টিভ ওন স্কুলস 15
অনিশুবা কি এরিয়া: ডিভেল্পিং সেল্ফ 17
অহুমশুবা কি এরিয়া: ট্রান্সফোর্মিং টিচিং-লার্নিং প্রোসেস 18
মরিশুবা কি এরিয়া: ব্যুল্ডিং এন্ড লিডীং টিমস 20
মঙাশুবা কি এরিয়া: লিডীং ইন্নোভেসন 21
তরুকশুবা কি এরিয়া: লিডিং পার্টনর্সিপ 22
তরেৎশুবা কি এরিয়া: লিডীং স্কুল এডমিনিস্ট্রেস 23
স্পিসিয়েল ফোক্স এরিয়া 25
মেটরিয়েল ডিভেল্পমেন্ট এডাপ্টেসন এন্ড কন্টেকচুৱেলাইজেসন 28

# ৱাহৌদোক

মীয়ামগী মিৎয়েংদা স্কুল হাইবসি মহৌশাগুম্ নত্রে, মরম অদুনা স্কুলশিং অসি অহোংবা পুরক্কুনা হৌজিক্কি থুমাং চাওশিল্লবা সমাজ অসিনা পাম্লিবা থাক্তা য়ৌহনবা তঙাইফদ্রে। স্কুলশিংদা অহোংবা পুরক্কদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা স্কুল হেডশিংদা, মেনেজর অমা ওইনা, লুচিংবা অমা ওইনা হেন্না চাওবা দায়ত্ব পীরি। ইন্দিয়াগী ওইরিবা ফিভমসিদা, য়াম্না মওং-মরিল চুম্বা থোঙথাংদা স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট হায়বরোমদা চঙশিনবসি মরু ওইনা লৌনরি। মসিনা 'দ রাইট ওফ স্কুল এক্সেস টু এজুকেসন', 'দ রাইট টু ক্বালিটি এজুকেসন' এন্ড 'দ রাইট টু জোয়ফুল লার্নিং ইনভাইরোন্মেন্ট' হায়বনচিংবশিং অসি কোনশিল্লি; অদুগা হায়রিবশিংসিদা মায় পাকপা হায়বসি স্কুলশিংদা অহোংবা পুরক্কদৌরিবা, ইচং-থৌবা স্কুল লিডরশিংগী মথা য়াম্না পোল্লি। অকোইবগী ফিভমদা থুদোংচাদবা অমদি, রিছোর্সকী অৱাৎপা লৈবা, লোয়নননা মমা-মপা ওইবশিং অমদি ময়ামগী অপাম্বা-অনিংবসু চাং ৱাঙ্খৎলকপা, অসিগুম্বা ফিভমদা থবক তৌরিবা স্কুলশিংদা লিডরসিপকী ৱাফম অসি হেন্না মরু ওই। মসিনা মরম ওইরগা, লৈরিবা ফিভমদুদা স্কুলনা থেংনরিবা থুদোংচাদবশিং অমসুং স্কুলদুনা ফঙলিবা থুদোংচাবশিং অদু কুপ্না নৈনবা ঙম্লবা, মতিক চানা থঙবা অমসুং হৈ-শিংবা স্কুল লিডরশিং ওইহন্দবা য়াদে। পরিং অসিদা য়েংলগা, স্কুল হেডশিং, ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা স্কুল অদুবু সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স ওন্হোকপা ঙম্নবা ৱাখল থোকপা অমসুং হৈ-শিংবা হেনগৎনবা কয়াৎ অমসুং চৎন-পথাপ শাগৎপা তঙায়ফদে।


স্কুল হায়বসি নাইতোম হিংবা য়াদে। তশেংনদি, স্কুল অদু লিংলিবা সমাজ অদুগী পোলিটিকেল, সোসিয়েল, ইকোনোমিক, রিলিজিয়স অমসুং কলচরগী শকফম অদু স্কুল অদুনা তাকই। মরম অদুনা স্কুল লিডরসিপ হায়বা স্কুলশিংবু 'সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স' (Centre of Excellence) ওন্হোকপগী পান্দম থম্লিবা প্রোগ্রাম অসিদগী, মথক্তা পনখিবা মরুওইবা ৱাফমশিং অসি লাপথোকপা য়ারোই। স্কুলশিংদা অহোংবা পুরকপদা থুমাং চাওশিন্নবা এডমিনিস্ট্রেটিভ অমসুং মেনেজরিয়েল রেস্পোন্সিব্লিটিদগী হেন্দোকনা মপুং ওইরিবা লিডরসিপ রোল হায়বসিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্কদবনি। হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিনা লমজিংলগা স্কুলদা অহোংবা পুরকপদা স্কুল হেড হায়বসিনা খ্বায়দগী মরু ওই। অহোংবা পুরকপদা লৌখৎকদবা অহানবা থোঙথাংদি স্কুল হেডশিংগী কেপাসিটি ব্যুল্ডিং হায়বা মহৌশাগী ট্রেনিং মোডেল অদু নত্তবা, মপুং ওইবা স্কুলশিংনা হকথেংননা থেংনরিবা অৱাবশিংদা চপ-চানা মায় ওনশিনবা লোং-টার্ম ডিবেল্পমেন্টেল মোড অসিনি। মীৎয়েং অসোমদা, স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট (SLD) হায়বসি, লৈবাক শিন-থুংনা স্কুল এজুকেসনগী থাক থুদিংদা লেপ্তনা চৎথগদবা স্কুল হেডশিংগী মথৌ হাপকদবা থৌরাং অসি লৌখৎলি।

## নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ

নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ (NCSL), NUEPA হায়বসি লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টকি খুত্থাংদা স্কুল সিস্টেম অসি ফগৎহন্দুনা ইচম-চম্বা স্কুলশিংবু স্কুল ওফ এক্সেলেন্স ওন্থকপগী পান্দমদা লিংখৎখিবনি। মরম অদুনা, NCSL গী অহানবা মীৎয়েংদি স্কুলদা অহোংবা পুরকনবা স্কুল লিডরশিং শেমগৎপা অসিনি। মসিগীদমক এডমিনিস্ট্রেটড়শিং অমসুং স্কুল ট্রান্সফোর্ম তৌবদা শরুক য়াবীরিবশিংগা ইরোয়ননা মসিগা মরি লৈনবা খুদিংক্কা শম্নদুনা লেপ্পা লৈতনা চত্থগদবা থৌশিল অমা তঙাইফদে। লৈবাক শিন-থুংনা, হায়রিবা স্কুল এজুকেসনগী য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাফমসিদা ময়েক শেংনা অমসুং মপুং ফানা NCSL না মায় ওনশিল্লি।

NCSL না লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট প্রোগ্রামগী খুত্থাংদা লৈবাক শিনবা থুংনা তোঙান-তোঙানবা



মান্নদবা স্কুল ময়াম অমা কোনশিনবা ঙমগদবা ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎলি। মসিনা স্কুল খুদিংমক ইলেমেন্টরিগী থাক্তগী সেকেন্ডরি অমসুং হায়র সেকেন্ডরিগী থাক ফাওবা কোনশিন্নবা পান্দম থমলি। NCSL না লৌরিবা খোংথাং অসিগী ভীজন অমসুং মিসন অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক য়ৌনা চঙশিন্দুনা অহোংবা পুরকপা হাইবসিনি।

## Vision

**স্কুলশিংদা অঙাং খুদিংমক মহৈ তম্নবা অমসুং স্কুল খুদিংমক খৌনা-লীংজেল উত্থোকনবা অনৌবা জেনেরেসনগী লুচিংবশিং শেমগৎপা**

## Mission

**ইন্সটিটুস্যসন ব্যুল্ডিংশিংদা ক্বআলিটি এজুকেসন পীনবা স্কুলগী থাক্তা লিডরসিপ কেপাসিটি হেঙ্গৎহনবা**





# ওপ্রেস্নেল ফ্রেমৱার্ক

অনৌবা জেনেরেসনগী লিডরশিং শেমগত্নুনা স্কুল ট্রান্সফোর্ম তৌবগী পান্দম অসি ফংনবা এন.সি.এস.এল. না রাস্ট্রগী থাক্তা লৈবা ইন্সটিট্যুটশিংগী মরি নকশিন্নহনগনি। মদু মখাদা শন্নপ্না তাক্লি।




**রাস্ট্রগী থাক্তাঃ**

NUEPA গী Vice Chancellor Prof. R. Govinda গী লুচিং মখাদা NCSL না মখৌ পাঙথোক্লি। নেস্লেল এডভাইজরি গ্রুপ, নেস্লেল রিছোর্স গ্রুপ মেন্টরশীং হায়বা এক্সপার্ট গ্রুপ্লা মসিবু লমজিং-লমতাক তৌরি। NUEPA দা লৈবা NCSL টিম্না স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট প্রোগ্রামগী তোঙান-তোঙাম্বা লমদা রাস্ট্রগী থাক্তা থবক তৌরি। অন্তরাস্ট্রগী থাক্তা নেস্লেল কোলেজ ফোর টিচিং এন্ড লিডরসিপ (NCTL), Nottingham, UK গসু থুংশন্নদুনা থবক তৌরি।

**রাজ্যগী থাক্তাঃ**

NCSL গী মীৎয়েংদদি রাজ্য/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং রাস্ট্রগী থাক্তা লৈরিবা স্টোকহোল্ডড়শিং য়াওনা সেন্টর অমগী থবক থৌরমশিং অদু তঙায়ফদবা থবক্তা মায় ওনশীনবা অমসুং শরুক য়ামিন্নবা অসিনি। রাজ্য/য়ুনিয়ন টেরিটোরি গী ইন্সটিট্যুটশিংগী নেটৱার্ক অমগী থুথাংদা স্টেট লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টকি থবক অসি পাঙথোকহনগনি। স্টেট পার্টনরশিংনা স্টেট রিছোর্স গ্রুপ হায়না থঙনবা কোর স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট টিম অমা শেমগনি। SRG অদুনা স্টেট-স্পেসিফিক ওইবা প্রোগ্রামশিং অমসুং মেটরিয়েলশিং, সপ্পোর্ট কেপাসিটি ব্যুল্ডিং প্রোগ্রামশিং শেমগনি, অমসুং NUEPA গী NCSL গা থুংশন্নরগা ক্রিতিকেল মাস ওফ এক্সপার্ট অমা শেমগত্তুনা লিডরসিপ একাদেমি (LA) অমা লীংগনি। অদুগা সেন্টর অদুগী থবকশিংদা হায়রিবা LA শিং অসিনা মতেং পাঙগনি। মতৌ অসুম্না শেমগৎলকপা প্রোগ্রামশিং অসিনা প্রোফেস্নেল লার্নিং কম্ম্যুনিটি (PLC) অমা স্তেটশিংদা থোক্লক্কনি, লোয়ননা, NUEPA গা থুংশন্নরগা SYMPOSIA, WEBINARS অমসুং MODULAR COURSES পাঙথোক্তুনা লেপ্পা লৈতনা প্রোফেস্নেল ডিভেল্পমেন্ট তৌগনি।

# এপ্রোচ্ছ টু স্কুল লিডরসিপ প্রোগ্রাম

NCSL না লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট কি খুথাংদা তোঙান-তোঙানবা, থেৎনবা স্কুলশিংবু ইচন-চন্নগদবা প্রোগ্রামগী ফ্রমৱার্ক শেমদুনা লৈবাক শিন-থুংনা য়েংশিনবগী মীৎয়েং থম্লি। মসি স্কুল খুদিংমক, ইলিমেন্টরি, সেকেন্ডরি অমসুং হায়র সেকেন্ডরি থাক ফাওবা কোনশিন্নবা পান্দম থম্লি। মসিদা অতৈ অতোপ্পা স্কুলশিং হায়বদি মান্নদবা মেনেজমেন্ট, মফম অমদি অপিকপা নত্রগা অচৌবা স্কুল অসিনচিংবশিং অসিসু য়াওগনি। এজুকেসন্দা রাইটস-বেজ থম্নবা মীৎয়েংদা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি অমুক্তসু চুশিন্নবা ওইরি। কম্পোনেন্ট মরি, মিং ওইনা করিকুলম এন্ড মেটরিয়েল ডিভেল্পমেন্ট, কেপাসিটি ব্যুল্ডিং, নেতৱার্কিং এন্ড ইন্সটিট্যুসন ডেভেল্পমেন্ট অমসুং রিসর্স ব্যুল্ডিং এন্ড ডিভেল্পমেন্ট হায়বা অসিগী খুথাংদা NCSL না স্কুল লিডরসিপ ডেভেল্পমেন্ট অসি শাগৎলি।

করিকুলম অমসুং মেটরিয়েল ডেভেল্পমেন্টনা স্টেট রিছোর্স গ্রুপ অমসুং স্কুল লিডরশিংদা কেপাসিটি ব্যুল্ডিংগী ফাউন্ডেসন অদু পীগনি। নেতৱার্কিং অমসুং রিসর্সনা রিছোর্স পার্সনশিং অমসুং স্কুল লিডরশিংবু পুলহন্দুনা থবক তৌমিন্নহনগনি, লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টকি মরমদা খিজিনবা, থবক ওইনা পায়খৎপা অমসুং চাওখৎহনবদা লেংমান্নবা মথৌ তৌগনি। মরু ওইবা ৱাফমশিংগী অমগা-অমগা শৈদাংনবা অদু থঙদোকপগা লোয়ননা সেন্টর অদুগীদমক প্রোগ্রাম ওইনা পাঙথোকপা য়াবা এক্টিভিটিশিং শেমদুনা করিকুলম ডিভেল্পমেন্ট, ফিল্ড ট্রায়েল অমসুং রিভিয়ু এন্ড ফীডবেক ময়াম অসি অমগা-অমগা মরি লৈনহল্লি। মসিনা অনৌবা লৌশিং তানবদা, মওং-মরিল শেমগৎপদা, প্রোগ্রামশিং শিন-লাংবা অমদি শাগৎপদা, অনৌবা মচাক শাগৎপদা অমসুং হিরম অসিদা শরুক য়াদুনা মথৌ তৌবশিংদা হেন্না চুশিন্নবা এক্সন প্লানশিং পী অমসুং ওইরক্লিবা প্রোফেস্নেল লার্নিং কম্ম্যুনিটি ওফ স্কুল লিডরসপু শৌগৎলি।

## অহানবা মচাক: করিকুলম অমসুং মচাক-মথুমশিং শেমগৎপা

স্কুল লিডরসিপকি করিকুলম ফ্রেমৱার্ক হায়বসি য়াম্না মরিক চুম্না ইচন-চন্নরবা ডোকুমেন্ট অমনি। মসিদা ২১ শুবা চহি-চা অসিগী চেলেঞ্জশিং অমসুং স্কুলশিংগা মরি লৈনবা স্কুল হেডশিংগী মথৌদাংশিং অদুগী মশক তাক্লি। করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসি মরু ওইবা স্কুল লিডর অমনা তৌরিবা থবক্কি মনুং চনবা কি এরিয়া তরেৎ অদুগা মরি লৈনৈ। মসিগী ডোকুমেন্ট অসি এড়ুকেসনগী লমদা মকোক থোংবা মীওই ময়াম অমনা কুপ্পা থন্ন-নৈনরবা মতুংদা

শাগৎখিবনি। হায়রিবা ডোকুমেন্ট অসি স্টেট নিপালগী স্টেট রিসোরস গ্রুপ মেম্বরশিংনা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা গ্রাস-রুটকি থাক্তা লৈরিবা ফীভম অমসুং স্কুল হেডশিংগী ৱাফমশিং থন্নরবা মতুংদা শেমদোক্তুনা থরা লায়থোকহনখ্রবনি।

ইন্দিয়ান স্কুল সিস্টেমগী খেৎনবা শক্তমশিংবু লুপ্না লৌবগা লোয়ননা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসি স্টেটশিংগী মাগী-মাগী ওইবা ফীভম অমসুং কয়াৎশিংদুগা চূনবা মওংদা শীজিন্নগনি।

OBJECTIVES

- To develop curriculum, organised well designed, need-based programmes for current and prospective School Leaders.
- To create a repository of materials and resources for School Leaders.
- To develop learning materials for diverse School contexts and customize them for use in different modalities.

## অনিশুবা মচাকঃ কেপাসিটি ব্যুল্ডিং

কেপাসিটি ব্যুল্ডিংগী মপুং ওইবা পান্দমদি স্কুল লিডরশিংগী লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টনি। মসিনা স্টেট, ডিস্ট্রিক্ট, ব্লোক অমসুং ক্লস্টড় লেবেলগী লিডরসিপ টিমশিংগী কেপাসিটি শাগৎলি। মখোয়বু মতম থরা চঙনা নিংখিনা শেম-শারবা প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াহল্লি।

স্কুল লিডরশিংগী কেপাসিটি ব্যুল্ডিং প্রোগ্রাম অসি করিকুলম ফ্রেমৱার্ক্তা য়াওরিবা কি এরিয়াশিং অদুগী মতুং ইন্না ডিজাইন তৌদুনা শেম্মি। নীড-বেজ প্রোগ্রাম অমা ওইনা, কান্নগদবা খুৎলোয়গদবা মওংদা লান্থোকই। প্রোগ্রাম ডিলিবরিরোমদা মায় ওনশিল্লি, প্রোসেস-বেজ মেটরিয়েলশিং অমসুং থবক ওইনা তৌহন্দুনা হৈনহল্লি। মসিদা মখোয়না ফংখিবা লৌশিং অমদি হৈ-শিংবশিং অদু শিজিন্নহল্লি।

মসিগী প্রোগ্রাম অসি অতেনবা অমদি অশাংবা মতমগী মোডুলার কোর্সশিং শেল্লগা পাঙথোকই। তারগেৎ-স্পেসিফিক অমসুং ইশু-স্পেসিফিক অনিমক্কি তঙায়ফদবশিং অদু য়েংলগা লৈবাক শিন-থুংনা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকই। মতৌ অসুপ্না স্কুল লিডরশিংগী কেপাসিটি ব্যুল্ডিং শেমগৎলগা স্কুলশিং ফগৎহনবা হায়বসি লেপ্তনা চথবা থবক অমা ওইহল্লি। লোয়ননা স্টেট অমসুং ডিস্ট্রিক্ট লেবেলগী শরুক য়ারিবশিংগী কেপাসিটি শাগত্তুনা মখোয়বু নীড-বেজ প্রোগ্রামশিং শেমগৎপা অমসুং প্রোগ্রাম পাঙথোকপা ঙমহন্দুনা মীওই থুদিংমকপু অনৌবা ৱাখল্লোন শাগৎপরোমদা পুকনিং থৌগৎলি।

## OBJECTIVES

- To enable School Leaders to bring about a shift in their understanding of their current role as functional managers to proactive and innovative leaders.
- To prepare a critical mass of experts to take leadership development forward in the respective states and Union Territories.
- To build capacities of School Heads in the areas of teaching-learning, personal and professional development, innovation in School system processes and partnerships.
- To empower local leadership (SMCs, SMDCs, VECs, PTAs, MTAs) and system leadership to contribute to school quality.

প্রোগ্রামশিং পীবা হায়বসি স্টেটশিংগী মথৌনি। মসিদা NCSL না চপ-চানা মতেং পাঙদুনা লমজিংগনি। প্রোসেস-বেজ মেটরিয়েলশিং শীজিন্নদুনা প্রোগ্রাম পীবা/পাঙথোকপরোমদা মায় ওনশিনগনি। মসিনা শরুক য়ারিবশিংদা হেন্ড-ওন-এপ্লিকেসনগী লৌশিং অমদি হৈ-শিংবা অদু ফঙহনগনি। করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমসুং অতৈ মেটরিয়েলশিং অদু হৈহনবা অমসুং খুৎলোয়হনবগী খুদোংচাবা ফঙহনগনি। স্টেট খুদিংদগী থংগৎলবা মরু ওইবা কেস-স্টডিশিং লৌথৎলগা ডোকুমেন্টেসন তৌগনি অমসুং মতুংদা কেপাসিটি ব্যুল্ডিংগী প্রোগ্রামশিং ডিস্ট্রিক্ট, ক্লস্টড় অমসুং অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপদা মেটরিয়েল ওইনা শীজিন্নগনি।

কেপাসিটি ব্যুল্ডিং প্রোগ্রামশিং অসিনা স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্টগী লমদা হেন্না পাকথোক-চাওথোকহনগনি লোয়ননা মরু ওইহনগনি। লোয়ননা ওন-সাইট মেন্টরিং অমসুং কোচিং পীদুনা ফেসিলিটেটড়শিং অমসুং অতৈ এক্সপার্টশিংগী খুত্থাংদা স্টেট রিছোর্স গ্রুপ (SRG) না থনগৎলকপা স্কুল হেডশিংদা কান্নবশিং ফংহনগনি।

## অহুমশুবা মচাক: নেটৱার্কিং এন্ড ইন্সটিট্যুস্নেল ব্যুল্ডিং

লৈবাকসিগী রাজ্য খুদিংদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমকপু মগুন লৈবা মহৈ তম্বা ফগুহন্নবা NCSL না তুং কোইনা চৎকদবা খোঙথাং অমা রাজ্যশিংগা পায়খৎমিন্নরি। মসি ইন্সটিট্যুটশিং, প্রোফেস্নেলশিং অমসুং ইন্ডিভিজুয়েল এক্সপার্টশিং ময়াম অমা মরি লৈনহন্দুনা পাঙথোক্কি। মসিবু মায় পাকনা পায়খৎপদা স্কুল খুদিংমকনা অহোংবা পুরকপগী ৱাফম ওইরিবা স্কুল লিডরসিপকি এজেন্দা অসি লৌথত্তবা য়াদবা খোংথাং অমনি। অদুনদি, NCSL গী প্রোগ্রামশিংদা শরুক য়ামিন্নগদবসি প্রোফেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিং (গোভর্মেন্টকি অমসুং প্রাইভেটকি পুন্না) হান্ননা চৎমিন্নরিবা নত্রগা স্কুল লিডরসিপকি লমদা থবক তৌনিংবা লুপ/কাঙবুশিংগা খুৎপু ওইমিন্নগনি। রিছোর্স ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং রাজ্যগী থাক্তা, ডিস্ট্রিক্টকি থাক্তা, ব্লোক অমসুং ক্লস্টড়গী থাক্তা লৈবা ওফিসিয়েল স্ট্রকচরশিং শীজিন্নদুনা স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট হায়বসি ওইহন্নবা নিংথিনা শেম-শারবা সিস্টেম অমা ওইহনগদবনি।

রাজ্য খুদিংমক্কি সেন্তড়না (NCSL) স্টেট রিছোর্স গ্রুপ, এঙ্কর ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং নোডেল ইন্সটিট্যুট অমগা খুৎশন্নরগা থবক পায়খৎপগী পান্দম থম্লি। মসিমসু পান্দম অসিগী মনুং চলহল্লি, মদুদি নোডেল ইন্সটিট্যুটকা লোয়ননা এঙ্কর ইন্সটিট্যুটশিংগা পুনশিল্লগা লিডরসিপ একাডেমি (Leadership Academy) অমসু রাজ্যগী থাক্তা লিংবা ঙম্লগনি। হায়রিবা লিডরসিপ একাডেমি অসি নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ (NCSL) গী রাজ্য থাক্কি মশা অমা ওইরে। লিডরসিপ একাডেমি অসি ডিস্ট্রিক্ট, ব্লোক নত্রগা অতোপ্পা ইন্সটিট্যুটশিংগা খুৎশন্নদুনা তঙায়ফদবা নত্রগা চুনগদবা অদু য়েংলগা থবক তৌবা য়ারগনি। অদুনা রাজ্য খুদিংগী লিডরসিপ একাডেমি অমসুং SRG গী টিমশিং লিংনবা ৱাফম থম্লি।

OBJECTIVES

- Establish Leadership Academies, in cosultation with State Governments, and bring about Synergy between NCSL and Leadership Academies.
- Establish Linkage between School Leaders and Grassroot level (field) administrators working closely with schools at cluster, block and district levels (CRPs, BRps, DEOs) as well as SMC and other community members.
- Create Professional Learning Community of School Leaders, across the district, State and region to generate collective learning experience for effective implementation of leadership development in the country.

লিডরসিপ একাডেমি (LA) লীংথৎনবগীদমক সংস্থানশিং অমদি রাজ্য সরকারগা থন্ন-নৈনবা অমদি ৱাফম ময়াম অমা কাঙথোকপগী থৌদাং অসি NCSL না লৌরি। রাজ্য অমগী তোঙান-তোঙানবা জীওগ্রাফিকেল এরিয়াশিংদা অথন্নবা অৱাংবা থাক্কি ইন্সটিট্যুটশিংদা লিডরসিপ একাডেমি অসি থমগনি। রাজ্য/ য়ু. টে. গী এডুকেসন ডিপার্টমেন্ট অমসুং অপুনবা টিম অদুগা লোয়ননা একাডেমিশিং অসি মশাগী মেম্বরশিং নত্রগা লোকেল এক্সপার্টশিং, স্কুল হেডশিং, মশানা চোংথোকচরকপা মীওই, রিতায়র্ড স্কুল হেডশিং নত্রগা কম্যুনিটি অদুগী মীওইশিংনা মতেং পাংবিবা য়াই। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা প্রোফেস্নেল লার্নিং কম্যুনিটি (PLC)অমা ক্লস্টড়, ব্লোক অমসুং ডিস্ট্রিক্টকি থাক্তা লৈহল্লক্কনি। তুং কোইনা চথরকপদা থৌশিল অসিনা PLC শিংগী নেটৱার্ক অমা শেমগৎলক্কনি। মসি ডিস্ট্রিক্ট, রাজ্য অমসুং রিজনশিংগী সেন্টরশিংদুগা লোয়ননা ওইবা য়াই।

## মরিশুবা মচাক: রিসর্স এন্ড ডিভেল্পমেন্ট

রিসর্স অমসুং ডিভেল্পমেন্টকি তঙায়ফদবসি স্কুল-কোলেজ ত্রান্সফোর্মেসন পুরকপদা চঙগদবা করিকুলম ডিভেল্পমেন্ট অমসুং অতোপ্পা মচাক শাগৎপগী থবক্তা মীৎ-না ওইগদবা স্কুল লিডরসিপকি লৌশিংবু মমুৎ তানা থঙবা অমসুং অনৌবা লৌশিং পোকহনবা ঙম্বা অদুনি। কোলাবোরেটিভ রিসর্স স্টডিশিং চথনবগীদমক সেন্টর (NCSL)না রিসর্স ওর্গানাইজেসনশীং অমসুং ইন্সটিট্যুটশিং লোয়ননা অতোপ্পা লনাই এক্সপার্টশিংগা খুৎশন্নবা থবক তৌগনি।

OBJECTIVES

- Collection, documentation and dissemination of best Leadership Practices
- Contribute to new knowledge in the area of School Leadership Development in the Indian context.

করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমসুং হেন্ডবুক অমগা পুল্লগা প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপদা স্কুল লিডরসিপ ডিভেল্পমেন্ট প্রোগ্রাম অসি মপুং ওইনা মতেং পাঙগনি। করিকুলমগী অকুপ্পা ৱারোল মথংগী সেক্সন্দা পীরি।

# করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর স্কুল লিডরসিপ ডিভেলপমেন্ট

সেন্টর (NCSL)না স্কুল লিডরসিপ ডিভেলপমেন্টকিদমক মপুং ওইনা থবক তৌগদবা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎলে। করিকুলম অসিনা স্কুল ট্রান্সফোর্ম তৌবদা মরু ওইবা মথৌ তৌগদবসি, লুচিংলিবদুনি হায়বসি উই। মসিনা মরম ওইরগা, মরু ওইবা পান্দমদি স্কুল লিডরশিংবু মপাঙ্গল হাপ্পা অদুনি। মসিদা লৌশিং, হৈ-শিংবা অমসুং মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বগী মথৌনা হাপ্পা লোয়ননা "ঐ ঙমগনি অদুগা ঐনা তৌগনি" হায়বা নুঙগী ৱাখল্লোন অসি শাগৎকনি। স্কুল লিডরশিংনা মশাদা থাজবা থম্বা হায়বা মীৎয়েং অসিদা মথোয়গা লোয়নরিবা ওঝাশীংবু লুচিংবা ঙমহল্লি অমসুং NCSL না শাগৎখিবা করিকুলম অসিগা মরি লৈনবা খুদিংমক্কা মায়োং য়ামিন্নবা ঙমহল্লি।

**ওভরআর্কিং গোল্স**

স্কুল হেডশিংবু, মহৈরোয়শিংনা তন্নিবা অমসুং হৈ-শিংবা হেঙ্গৎলকপদা মপুং ফাহনবদা মায় ওনশিন্দুনা স্কুল ট্রান্সফোর্ম তৌবা ঙমহনবা অদুনি।

**গ্বাইডিং প্রিন্সিপল্স**

করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসি শাগৎপদা থমখিবা ৱাখল্লোন অসি স্কুল হেড খুদিংমক মাগী-মাগী প্রোফেসন্দা হৈথোই-শিংথোইবা অমদি মীকোক থোংবা পাম্মি হায়বা অসিনি। মপুং-মরৈ ফারবা মীনা মহৈ তম্বসি য়াম্না তোঙানবা মওংদা তম্মি। মখোয়দা চুনবা মেটরিয়েল অমসুং লোন্দা খরা লায়থোক্না, অদুগা অতোপ-অতোপ্পা ইন্দিয়াগী লোনশিংদা হন্দোকপদা খুদোংচাহল্লবদি স্কুল লিডরশিংনা মদুগী মেটরিয়েলশিং অদু মখোয়না হৈনজবা মওং অমদি খোঙথাংদা শীজিন্নবা য়াগনি। করিকুলম অসি য়ানদুনা লৈরবা ঠিওরিটিকেল প্রিন্সিপ্পলশিংদা শাগৎপা ওইজরবসু মনুংদা য়াওরিবা মচাকশিং অমসুং থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা হিরমশীংদা য়েংলগা লেপ্পা ঙাক্তনি। ফ্রেমৱার্ক অসি শাগৎপদা লৈথিবা ৱাখল্লোন অদুদি স্কুল হেডশিংগা স্কুল এডমিনিস্ট্রেটড়শিংগা, কম্যুনিটি অদুগা অমসুং ওঝাশিং অদুগা পুন্না থন্ন-নৈনবা অদু য়াম্না মরু ওই অমসুং লেপ্তনা চত্থগদবা থবক অমনি হায়বসিনি।

**করিকুলম ইমপ্লিমেন্টেসন**

ফ্রেমৱার্ক অসিনা স্কুল লিডরশীংগী কেপাসিটি ব্যুল্ডিং শাগৎপদা শরুক য়াহন্দুনা মথৌ পাঙথোকপদা মায় ওনশিল্লি। করিকুলম অসি চৎনহন্নবগী খোংথাং অদুনা থবক তৌনা-তৌনা তম্বা, হৈ-শিংবা, কুপ্না ৱাখল্লোন শাগৎপা অমসুং থবক মফমদা লৈবা ঙমহল্লি। অসুম্না ফ্রেমৱার্ক অসিনা লেপ্তনা মশক খোকহন্দুনা, মতমগা চুনহন্দুনা স্কুল লিডরশিং অমসুং ওঝাশিংগী অশেংবা এক্সপরিয়েন্স অদু পীবা ঙম্মি।

# কি এরিয়াশিং

করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অসিনা কি এরিয়া তরেত, ইলেমেন্টরি স্কুলগী থাক্তা স্কুল লিডরসিপ শেমগৎপগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা কম্পোনেন্টশিং শীজিন্নদুনা য়াথোক্লি। কি এরিয়াশিং অসিগী নিংথিনা দিফাইন তৌরবা ওব্জেক্টিবশীং অমসুং কন্টেন্ট এরিয়াশিং য়াওরি। মসিনা স্কুল লিডরশিংগী তঙায়ফদবা স্কুল ট্রান্সফোর্মেসন অমসুং প্রফেস্নেল গ্রোথ অদু পীগনি।



কি এরিয়া তরেৎমক অমগা-অমগা নক্কা মরি লৈনহল্লি। মসিনা স্কুল ট্রান্সফোর্মেসন পুরক্কবা মপুং ফাবা মীৎয়েং অমা ওইরি, লোয়নননা পান্দম অসি ফংনবা স্কুল লিডর অমগী মরু ওইবা থৌদাং অদু শাগৎলি। ফ্রেমৱার্ক অসিনা স্কুল অমবু, অঙাংশিংবু থুমাং চাওশিন্নবা মহৈ তম্বীবা অমসুং মথোয়গী ওল-রাউন্ড গ্রোথ এন্ড ডিভেল্পমেন্ট পীরিবা মহৈ তম্ফম লুপ অমনি হায়না লৌগনি। করিকুলম অসিনা স্কুল হেডশিংবু পোজিটিভ সেল্ফ-কন্সেপ অমা শাগৎপদা মপুং ওইবা মীৎইয়েং থম্লি। মথোয়বু ৱাখল থোকপা ইক্বেলিটি অমসুং নন-ডিস্ক্রিমিনেসন হায়বা ভেল্যুশিংনা লুচিংনবা হোৎনগনি।

ইন্দিয়াগী স্কুলশিংগী পাক-চাউনা খেৎনবা লৈবা অসিনা মরম ওইরগা ফ্রেমৱার্ক অসিনা ইস্পিসিয়েল ফোকস এরিয়াশিং থঙদোক্তুনা থবক তৌনবগী মফমসু পীরি। চীংগী লমশিং, মরুভুমি অমসুং ট্রাইবেল এরিয়াশিং, নোং কা-হেন্না তাবা মফমশিং, ঈচাউ থোক্কনবা মফমশিং নত্রগা থুৎশেন্না থোকহনবা ডিজাস্টড়শিংগী চৈথেং ফংবা মফমশিং খন্দোক্তুনা তোঙানবা মীয়ইয়েং থম্লি। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা স্কুল মচা অমসুং মল্টি-গ্রেড স্কুলশিংদসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙই।

## অহানবা কি এরিয়া: পর্সপেক্টিভ ওন স্কুল লিডরসিপ

মসিনা লিডরসিপ হায়বসি করিনো হায়বা খঙজিনবগা লোয়নননা স্কুলদা অহোংবা পুরকপদা করি মথৌ পাঙথোকপগে হায়বদু খঙজিলহল্লি। মসিনা স্কুল অমবু লার্নিং ওর্গানাইজেসন অমনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু শাগৎলি, অদুগা অঙাংশিংবু য়োকখৎনবা অমসুং চাউখৎনবা হোৎনবা মফম অমনি হায়বদু উৎলি অমসুং কি এরিয়া অসিনা অহোংবা পুরকনবগী মীৎয়েং অমসুং স্কুল ট্রান্সফোর্ম তৌবরোমদা মায় ওনশিল্লি।

### Objective

- **স্কুল লিডরসিপ হায়বসি খঙজিনবা অমসুং অহোংবা অমসুং শেমগৎপগী মীৎয়েং শাগৎপনি।**

### অহানবা য়ুনিত: মহৈ তমফমশঙ অমা ওইনা স্কুল

- সোসিয়েল ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা স্কুল
- লুপ অমা ওইনা স্কুলগী ডাইনামিক ওইবা শক্তম
- অমগা-অমগা মরি লৈনবা অমদি স্কুলগী থৌওং
- স্কুলবু মহৈ তমফম অমদি চাউখৎপা পুরকফম অমা ওইবগী শক্তম

### অনিশুবা য়ুনিত: স্কুল লিডরসিপঃ শক্লোন ময়াম অমদি শক্তম

- লিডর হায়বসি মীৎয়েং অমা ওইনা
- লিডর হায়বসি অহোংবা পুরকপা অমা ওইনা
- লিডর হায়বসি কনাগুম্বা ইথিল পীবা অমা ওইনা অমসুং য়াম্না অথাং কনবা, মীগীদমক খনবা অমসুং পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তম্বা লেপ্তবা মীওই অমা ওইনা
- লিডর হায়বসি ৱাখল থোকনা থবক তৌবা মীওই অমা ওইনা
- স্কুলগী মগুন হেনগৎহনবদা লিডরসিপকি মথৌ।

### অহুমশূবা য়ুনিত: স্কুলগীদমক মীৎয়েং অমা শাগৎপা

- স্কুলদা অহোংবা পুরকনবা মীৎইয়েং অমা শাগৎপা
- মচাক অমসুং হেন্দোকপা ঙমদবশিং খঙদোকপা লোয়নননা লেপথোকপা
- স্কুল চাওখৎহনবগী খুথাংদা থমলিবা মীৎয়েং অদু থবক ওইনা ওন্থোকপা
- মতম-মতমগী মীৎয়েং চাওহন্দুনা অমসুং হঙ্গৎনা য়েংদুনা পুরক্লিবা অহোংবশিং অদু পরিং নাইনা খঙদোকপা

## মরিশুবা য়ুনিতঃ অহোংবা হায়বসি করিনো থঙজিনবা

- স্কুলদা অহোংবা পুরক্কদবা লমজিং-লনমতাকশিংঃ ইনক্লুজন, ইক্বিটি, অমসুং ক্বালিটি
- স্কুল হায়বসি অপুনবা অমনিঃ ৱাখল্লোনশিং, তৌবা ঙম্বশিং অমসুং অহোংবা পুরক্কবা পান্দমশিং
- ইশানা ইশাবু হোংদোকচবগী মরমঃ পুক্নিংগী শাজৎ, অমসুং তৌথোরকপা; ৱাখল তৌবা অমসুং ফোঙদোকপা অমসুং মমা-মপা ওইবশিং, ওঝাশিং অমসুং মীয়ামগা পুনবা
- অহোংবা হায়বসিগা লোয়নবাঃ অথিংবা পীরকথিবশিংবু মায়োক্নবা অমসুং খুদোংচাবশিং

## মঙাশুবা য়ুনিতঃ অহানবদা অঙাং

- অঙাং ওইবা হায়বসি করিনো থঙজিনবা
- অঙাংবু মপুং ফানা চাওখৎহনবা
- স্কুলদা অঙাংশিংগী হক
- মান্নবা হায়বসি চৎনবা, অচান-মীরায় নাইদবা অমসুং পুন্নমকপু নোল্লুকপা
- স্কুল হায়বসি য়াম্না চেকশিনবা অমসুং অকি-অথং লৈতবা মফম অমা ওইনা

## তরুকশূবা য়ুনিতঃ থবক্কি শক্তমদা অহোংবা পুরকপা

- মাংদা পান্দম থমদুনা চঙশিনবা
- মখল-মখলগী ওইথোকপা য়াবশিং অমদি মীৎয়েংশিং অদু তাশিন-খোমজিনবা
- অমগা-অমগা ৱাহন্থোক লৈনা তাথোক-তাশিন তৌবা
- অহোংবা অমদি শেমদোকপা হায়বসি য়াজবা
- শরুক য়ামিন্নবা হায়বসি য়োকখৎপা

## অনিশুবা কি এরিয়া: ডিভেলপ্পিং শেল্ফ

কি এরিয়া অসিদা, হৈ-শিংবা, তৌবা ঙম্বা, ৱাখল্লোন অমসুং থাজবা হায়বসিগা ইৱোয়ননা পোজিটিভ সেলফ-কন্সেপ অমা শাগৎপরোমদা মীৎয়েং থমলি। ৱাখল থোকনা নৈনমিন্নদুনা ইশা চাওখৎহনবা অমসুং ইশাদা নত্তনা অতৈশিংবু চাওখৎমিন্নবা লুচিংবা অমগী মরু ওইবা মখৌ পাঙথোক্তুনা মফম কন্দুনা খুদোংচাবা শেমগৎপা।

### Objective

- **ইশাবু খঙজবা, মসিনা অতোপ্পশিংগা অমদি স্কুলগা লৈনরিবা মরি।**

#### অহানবা য়ুনিত: ইশাবু খঙজবা

- ইশাবু খঙজবাঃ মী অমা ওইনা অমসুং স্কুলগী মখৌ পাঙথোক্লিবা অমা ওইনা
- থবক্কি পুন্সিদা ৱাহন্থোক অমসুং মরম খঙজিনবা
- ঐ ইশা অমদি ইশাগী চাং, ফজবা মওংদা শাগৎপা

#### অনিশুবা য়ুনিত: অতোপ্পশিংগা মরি লৈনরি ঐ

- ময়াম্না খঙনরিবা স্কুল হায়বসিদা ইশাগী মফম খঙদোকপা
- থেৎননা থমলকপা থাজবশিং মায়োক্নবা অমসুং মথল-মথলগী থৌদাং লৌবা
- ইথিল পীবগা লোয়নবশিং অমসুং মরি লৈনবা লোয়নবশিং

#### অহুমশুবা য়ুনিত: স্কুল হায়বসিদা ঐ ইশা

- ইশা চাওখৎহনবগা ইন্সটিট্যুট চাওখৎহনবগা পুনথিবা
- স্কুলগী থবক্তা মান্নদবা থৌদাংশিং
- মখৌ পাঙথোক্লিবা অদুগী পান্দমগা, তৌরিবা থবকশিং অদুগা লৈনরিবা মরিদা ৱাখল তৌবা

#### মরিশুবা য়ুনিত: মশাবু চাওখৎহনবগী মখৌ পাঙথোক্লি

- থবক তৌবা অমসুং মীয়ামগা মরি লৈনবা
- স্কুল হায়বসি পুন্না মহৈ তম্মিন্নবা অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্নফম অমা ওইনা

## অহুমশুবা কি এরিয়া: ত্রান্সফোর্মিং টিচিং-লার্নিং প্রোসেস

কি এরিয়া অসি তাকপী-তম্বীবগী ফিভম অদু হোঙদোক্লবা লিডরশিংদা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু হেঙ্গৎহল্লি। মসি পাঙথোকপদা স্কুল হায়বসি থঙলমদবা কয়াবু থঙলক্কদৌরিবা, হৈবা-শিংবা হেঙ্গৎহল্লক্কদৌরিবা মফম অমনি হায়বদু থঙজিলহল্লি লোয়ননা ক্লাস-রুমগী থবক থৌওং খুদিংদা অঙাংবু মরু ওইনা থল্লগা (Child-centric) পাঙথোকপা ওইহল্লি। তাঙ্কক অসি য়ৌশিন্নবা স্কুল হেডশিংগী তৌবা ঙম্বা হায়বসি স্কুলশিংদা তাকপী-তম্বীবগী ফিভমদা অহোংবা পীবা ঙমহনগদৌরিবনি।

### OBJECTIVE

- **তাকপী-তম্বীবগী থৌওংদা অহোংবা পুরকপা, অঙাংবু মরু ওইনা থন্দুনা ৱাখল থোক্লা থবক তৌবা।**

### অহানবা য়ুনিত: সকুল অমসুং মহৈ তম্বগী মরম

- থিজিনবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা
- কুপ্পা থম্বদা এডুকেসন
- মখৌ হাপ্পদা এডুকেসন
- মখৌ থঙবা সিটিজেনশিং শেমগৎপা

### অনিশুবা য়ুনিত: চাইল্ড-সেন্টর্ড পেদাগজি করিনো থঙজিনবা

- হৌরক্লিবা অঙাং অমগী তম্বগী অমসুং চাওথৎহনবগী তঙায়ফদবশিং (Learning and Developmental Needs)
- মতীং লৈনা তমজরিবা অমসুং লৌশিং শাগৎচরিবা অমা ওইনা অঙাং
- তাকপীরিবা অমসুং তল্লিবা অনিমক্তা মহৈ তম্বা হায়বসি য়াম্না নুঙাইবা অমা ওইহনবা
- তাকপী-তম্বীবা হায়বসি তাক্লিবা অমসুং তল্লিবা অনিমক্কুগী পুন্না থোঙদামিন্নবা থবক অমা ওইনা
- পুন্সিরোল-চৎনরোল য়াম্না থেৎনবা ফিভম অমদা পুন্নমকপু মরি লৈনহন্দুনা মহৈ তম্বা

### অহুমশুবা য়ুনিত: তাকপী-তম্বীবগী মওংদা নুঙাইহনবা

- য়েংবদা নুঙাইবা স্কুল অমদি ক্লাস-রুম
- ক্লাস-রুমগী স্পেস অমদি পোৎ-চৈ খুদিংমক মফম চানা থম্বা
- মতীং লৈনা তম্বগী খুদোংচাবা হেঙ্গৎহনবা
- থেৎনবা ময়াম পুনশিলহনবগী মওং লৈহনবাঃ অমগা-অমগা ইকায়খুম্নবা, অমনা অমবু তরাম্না লৌবা অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈহনবা

- ক্লস-রুম হায়বসি য়াম্না নুঙাইবা, অশোক-অপন থোকনিঙায় ওইদবা অমসুং নুংশি-চান্নবগী মওং শেম্বা

## মরিশুবা য়ুনিত: ক্লাস-রুমগী থবক থৌওংদা মখৌ পাংবা ওইহনবা

- ওভজর্বেসন, ফীডবেক অমসুং সুপরভিজন
- অঙাংশিংগা হকথেংননা লোয়নবা অঙাং অমমমগী প্রোগ্রাম কুপ্না শেন্নদুনা য়েংবা
- ক্লাস-রুম এক্টিভিটিশিং ফিভম ফগৎহনবা অমসুং অমগা-অমগা তেংবাংনবগী ৱাখল্লোন লৈহনবা
- নিংখিনা লমজিংবীবা অমসুং থৌগৎপীবা
- তাকপী-তম্বীবগী লমদা টেকনোলোজি শিজীন্নবা অমসুং চাংয়েং তৌবা

## মঙাশুবা য়ুনিত: ওঝাগী শিনফম্বু প্রোফেস্নেল ওইহনবা

- ওঝাঃ স্কুল ট্রান্সফোর্মেসনগী হৌরকফম
- ওঝাবু লিডরসিপকি মগুন লৈহনবা
- ওঝা হায়বসি ৱাখল লৈনা মখৌ তৌবা অমা ওইনা
- ওঝা অমদি মহৈরোয় অনিগী মরক্তা ক্লাস-রুম অমসুং মপান্দা লৈনবা মরি অমা থম্বা
- ওঝাগী ৱাফমশিং অমসুং তঙায়ফদবশিং য়েংশিনবা
- ওঝাশিংদা প্রফেস্নেল গ্রোথ লৈহনবা

## তরুকশুবা য়ুনিত: তাকপী-তম্বীবগী থৌওং মগুন লৈহনবাঃ ক্লাস-রুমদগী হেন্দোকনা মীৎয়েং থম্বা

- মমা-মপা ওইবশিংগী ৱাখল্লোন্দগী অঙাং অদুবু থঙবীবা
- অঙাংনা মহৈ তম্বদা য়ুমগী মতেং
- পুন্না লৈমিন-চামিন্নবশিংদগী থঙমিন্নবা অমসুং হৈ-শিংবা অদুনা স্কুলদা তম্লিবা অদুদা হেন্না মশক থোকহনবা
- মমা-মপা ওইবশিংগা ওঝাশিংগা পাউ ফাওনবা হেঙ্গৎহনবাঃ স্কুলদা মহৈ তম্বদগী ফাওজবা ৱাখল অমদি মহৈ তম্বা
- য়ুম্লোন-কৈরোন্নববু মহৈ তমফম অমা ওইনা

## মরিশুবা কি এরিয়া: ব্যুল্ডিং এন্ড লিডিং টীম

কি এরিয়া অসিনা হৈ-শিংবা, মখৌ পাংবা টিমশিং শেমগৎপা অমসুং মখোয়দা তঙাঈফদনা চেনগদবা মগুনশিং অদু শাগৎপরোমদা মায় ওনশিল্লি। কি এরিয়া অসিনা অপুনবগী পাঙ্গল, পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মওং, য়ান্নদব্বু য়ান্নশিনহনবা অমসুং টিম মেম্বরশিংবু প্রফেস্নেল ওইহনবা।

### OBJECTIVE:

- **অমগা-অমগা থুৎশন্নহনবা অমসুং থুৎপু শেমদুনা থবক তৌমিন্নবা**

### অহানবা য়ুনিত: থুৎপু শেমগৎপা

- থুৎপু ওইরিবশিংদুগী পাঙ্গল অমসুং তৌবা ঙম্বশিং থঙজিনবা
- অপুনবগী কান্নবশীং নৈনবা
- থুৎশন্নবা অমসুং তেঙবাংনবগী মওং লৈহনবা
- মখৌগা, তৌবা ঙম্বা অদুগা চুশিন্নহনবা

### অনিশুবা য়ুনিত: থুৎপু ওইনা থবক তৌমিন্নবা অসি থৌগৎপা

- পুন্না থবক য়াথোক্নিন্নবা
- মখৌ থঙনা তান্নবা অমসুং ৱারি শান্নববু য়োকথৎপা
- পুন্না থৌ পুমিন্নবা
- স্টাফ মীটিংশিংবু য়াম্না কান্নবা ৱাখল পীনবা লম্বী অমা ওইহনবা
- য়েংশিনবা অমসুং ফঙলকপশিং নৈনবগী মওং অমা শেম্বা

### অহুমশুবা য়ুনিত: টিম লিডর অমা শেমগৎপা

- ইফেক্টিভ টিমৱর্ক অমগী খুদোংচাবশিং শেমগৎপা
- টিম অদুগী মরক্তা চঙখোনবা মওংঙী পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌহনবা
- টিমৱর্ক অমদা ফিরেপ লৌবগী মওং
- মেম্বরশিংগা লোয়ননা থবকশিংদু পাঙথোকপা
- কনফ্লিক্ত রিজলুসন

## মঙাশুবা কি এরিয়াঃ লিডিং ইন্নোভেসন

মসিনা লেপ্তনা চৎলিবা অহোংবা অমসুং অনৌবা ৱাখল্লোনগী মতেংনা স্কুল অমগী ট্রান্সফোর্ম তৌরবা স্ট্রকচড় অমসুং প্রোগ্রামশিংবু ফংনবা হোৎনরি। সর্তশিং শেম্বা, সিস্টেমশিং, স্ট্রকচড়শিং অমসুং অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং থবক্তা অপুনবগী হোৎনজমল অমসুং অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপগী চৎনবিদা মতেং ওইগদবশিংদা মিৎয়েং থম্লি।

### OBJECTIVE

- অনৌবা মওংগী থবকনা অহোংবা পুরকহনবা

**অহানবা য়ুনিতঃ ইন্নোভেসন – লার্নিং ওর্গনাইজেসনগী থৱায় স্কুল হেডঃ অনৌবা পুরকপগী মরু ওইবা পাঙ্গল**

- অনৌবা ৱাখল তৌবাঃ ৱারি শান্নদুনা ৱাখল য়াম্না থলহনবা
- অনৌবা পুরকপাঃ স্কুল ফগৎহনবগী মরু ওইবা মচাক অমা
- মহৌশাগী মওংদা হেন্দোকনা য়েংবা

**অনিশুবা য়ুনিতঃ স্কুলদা অনৌবা পুরকনবগী চৎনবি অমা শাগৎপা**

- অনৌবা পুরকপবু থৌগৎপাঃ চাংয়েং তৌবা অমসুং থিজিনবগী খুদোংচাবা লৈহনবা
- মহৈ তম্বদা চংবা মচাকশিং অমসুং একাডেমিক সপ্পোর্ট মরাং কায়না ফঙহনবা
- মী অমবু মী অমা ওইনা চপ-চানা ইকায়খুল্লবা অমসুং খেৎনবা মীৎয়েংশিং অদুবুসু কোনশিনবা
- হোংদোকনবা হোৎনবদা অথিংবা পীরকপা অদু খঙজিনবা অমসুং মায় ওনশিন্দুনা থবক তৌবা
- অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং থবক থেংনবদা রিৱার্ডস অমসুং রিকোগনিসন পীবা
- স্কুলশিংদা ওইরকপা অনৌবা অমসুং অহোংবশিং নিংথিনা থঙদোক্তুনা অইবা ওইনা থম্বা

**অহুমশুবা য়ুনিতঃ অনৌবা অহোংবগী থুখাংদা স্কুলবু অমুক হন্না ৱাখলদা লাকশিনবা**

- স্কুলগী থাক্তা অনৌবা অহোংবাঃ করিকুলম, চহিগী কেলেন্ডর, থবক য়েন্থোকনবা, বজেট, মীড-ডে-মীল, মেনেজিং ফাইনান্স হায়বশিং অসি অহোংবা পুরকপা অমসুং ফন্দ-রেজিং, অফংবা মচাকশিং অদু য়ারিবমখৈ চাং ৱাংনা শীজিন্নবা, চহিগী-থৌরমশিং পাঙথোকপা, কম্যুনিটি মীটিং অমসুং স্টাফ মীটিংশীং পাঙথোকপা
- ক্লাস-রুমগী থাক্তা অনৌবা অহোংবাঃ তাকপী-তম্বীবদা, ক্লাস-রুম অমা থম্বদা, টাইম-টেবল শেম্বদা, ক্লাস-রুম শেম্বদা ফগৎহনবা
- মহৈরোয়শিংবু, ওঝাশিংবু, কম্যুনিটি অমসুং ইন্নোভেটর অমা ওইনা

## তরুকশুবা কি এরিয়া: লিডিং পার্টনর্সিপ

স্কুলদা অহোংবা পুরকপদা স্কুলদুগী মনুংগী অমসুং মপানগী মীওইশিংগা খুৎশন্নবা তাই। মসিগী কি এরিয়া অসিদা স্কুল অমসুং মমা-মপা ওইবশিংগী মরক্তা, কম্যুনিটিগী মীওইশিং, এডুকেসন ডিপার্টমেন্টকি মীওইশিং অমসুং অকোয়বদা লৈবা অতোপ্পা স্কুলশিং, পুন্নমক অসিগী মরক্তা ৱাহন্থোক লৈবা মরি অমা থম্বরোমদা মায় ওনশিল্লি। মসিগী মরমদি স্কুল লিডরশিংবু তোঙান-তোঙানবা মরি লৈনবা মীশিংগা খুৎশন্নবা চৎমিন্নন্দা খুৎলোয়নবনি।

### OBJECTIVE

- মমা-মপা ওইবশিংগা, কম্যুনিটি অমসুং এডুকেসন ফঙ্কসন্নরিশিংগা খুৎশন্নরগা স্কুলদা অহোংবা পুরকনবা শিনবা

### অহানবা য়ুনিত: য়ুম-স্কুল খুৎপু ওইমিন্নবা

- য়ুম-স্কুল অনিগী মরক্তা পাউ ফাওনবগী খুদোংচাবা লৈহনবা
- মহৈ তম্বা অমসুং শেমগৎপা অসিবু ওঝাশিং অমসুং মমা-মপা ওইবশিংগী অপুনবা মথৌ ওইনা
- মমা-মপা ওইবশিংগা ওঝাশিংগা অনিগী মরক্তা লৈবা থেৎনবা মীৎয়েং অমসুং থাজবা অদু থেংনবা
- স্কুল মেনেজমেন্টদা মমা-মপা ওইবশিং য়াওশিনহনবা
- মমা-মপা ওইববু করিনো থঙদোকনবা মফম ওইরিবা স্কুল

### অনিশুবা য়ুনিত: কম্যুনিটিগা থবক তৌমিন্নবা

- স্কুল-কম্যুনিটিগী মরি থঙজিনবা
- স্কুলদা কম্যুনিটি লৈহনবগী তাঞ্জা পীবা
- স্কুল মেনেজমেন্ট কমিটিগী খুত্থাংদা কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন অসি মশক থঙনা লিংবা
- স্কুল ডেভেল্পমেন্ট প্লান্দা কম্যুনিটিগী মথৌ
- কম্যুনিটিগী ওইনা স্কুল হায়বসি সোসিয়েল লার্নিং স্পেস ওইহনবা

### অহুমশুবা য়ুনিত: সিস্টেমগা থবক তৌমিন্নবা

- এডুকেসন সিস্টেমগী শরুক অমা ওইনা স্কুল
- এডুকেস্নেল এডমিনিস্ট্রেটড়শিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা
- স্কুল ডেভেল্পমেন্টকি অপাম্বগা সিস্টেম লেভেলগী তঙায়ফদবশিং অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবা
- অকোয়বদা লৈবা রিছোর্স সপ্পোর্ট ইন্সটিট্যুটশিংগা মরি থম্বা
- স্কুল-কম্যুনিটিগী মরক্তা শরুক য়ামিন্নবা, তিন্নবা, থবক পাঙথোকমিন্নবা অমসুং খ্বায়দগী অফবা থৌওংশিং অদু লৌথোক-লৌশিন তৌমিন্নবা।

## তরেৎশুবা কি এরিয়া: স্কুল এডমিনিস্ট্রেসনবু লমজিংবাঃ

মসিগী কি এরিয়া অসিনা স্কুল অমগী শীন-লাংবগী অমদি শেল-থুমগী হীরমশিংদা পুক্নিং চিংশীল্লি। মসিনা স্কুলগী লুচিংবশিংবু, রাজ্য সরকারনা শেম্লকপা শীন-লাংবগী চৎন-পথাপশীং অমসুং নিতি-নিয়মশীংবু খঙজিনবদা মতেং ওইহল্লি। অসিগীসু মথক্তা স্কুলগী শেন্মিৎলোন, চাগা-চাদিং অমদি ফন্দশিংবু শীজিন্নবগী মওং-মরিল অদু খঙজিনবদা মতেং ওইহল্লি। স্কুল অমবু লমজিংবদা ফিজিকেল অমদি হ্যুমেন রিসোর্সপু মরম চানা শিজিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ অমসুং এরিয়া অসিনা হায়রিবা রিসোর্সশিং অসিবু মরম চানা শীজিন্নবা, মদুবু খঙদোকপদা মতেং পাঙই। কি এরিয়া অসিবু হেন্না মশক থোকহল্লিবদি, মসিনা স্কুল হেডশীংবু মতিক চারবা ডাটাবেস সিস্ট্যেম অমা শাগৎপদা অমসুং মগুন লৈরবা ফিরেপ চুম্বা ৱারেপকা লোয়ননা স্কুল ট্রান্সফোর্মেসনবু লমজিংবদা মতেং ওইরিবসিনি।

### OBJECTIVE

- **স্কুল হেডশীংগী মরক্তা অনৌবা গ্যান-লৌশীং অমদি হৈ-শিংবশীং হেঙ্গৎহন্দুনা স্কুলগী লৈঙাক্লোন, চাগা-চাদিং শেম-শাবগী, রিসোর্সশিং অসিবু মরিক চুন্না শীজিন্নবা অমদি ডাটাদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারেপ লৌবদা হেন্না থুৎলোয়হনবা।**

### অহানবা য়ুনিত: স্কুলগী লৈঙাক্লোনবু মমুৎ তানা খঙজিনবাঃ

- স্কুল ট্রান্সফোর্মেসনগী হিরমসিদা স্কুল হেডশিংগী মরু ওইরক্লিবা থৌদাংশিং।
- স্কুলগী চৎন-পথাপশীং অমদি নিয়ম-নিতিগী গ্যান (স্কুল হেডশিং/প্রিন্সিপাল, ওঝা অমদি স্টাফশিংগী চৎন-কাঙলোন, থবক-থৌরম, ছুতি অমদি পেন্সনগী ওইবা)
- রাজ্যগী পোলিসিশীং, প্লানশীং অমদি স্কিমশীং লোয়ননা স্কুলগী থাক্তা, মথোয়গী চান্নবা থবক্তা ওন্থোক্লবগী মওং-মতৌ, চৎনবি অমসুং নিতি-নিয়মশীংবু মমুৎ তানা খঙজিনবা।
- খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা, মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশীংগা পাউ ফাওনবদা ফাইলিং, ড্রাফতিং অমদি নোতিং তৌবগী মওং-মতৌবু খঙজিনবা।
- ওঝাশীংগী এনুৱেল কনফিডেন্স রিপোর্ট (এ. সি. আর.)/ এনুৱেল পর্ফোর্মেন্স এপ্রায়জেল রিপোর্ট (এ. পি. এ. আর.)
- ওঝাশীং, ছাত্রশিং অমদি স্টাফশিংগা লোয়ননা স্কুলগী থাক্কি ওইবা থৌশিল অদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক মতিক চারবা সিস্ট্যেম অমা শেমগৎপা।

### অনিশুবা য়ুনিত: স্কুলগী চাগা-চাদিং:

- চাগা-চাদিং অমদি রিসোর্সশিং অসিবু শিন-লাংবগী কান্নবশিং।
- শেল-থুম লাকফম অমদি শিজিন্নফম, লোয়ননা মদুবু পথাপ নাইনা হোৎপদা চংবা মচাকশিংগী ওইবা লৌশিং।
- শেল-থুমগা মরি লৈনবা অমদি ফন্দ শিজিন্নবগী ওইবা নিংতম্বশিং।

- স্টাফশিংগী কান্নবা ওইগদবা, খুদম ওইনা তলব অমদি এরিয়ার লেপথোকপা, পেন্সন হোত্তোকপগা মরি লৈনবা চাগা-চাদিংগী থবক-থৌরমশিং খঙজিনবা।
- বিল্লিংগা মরি লৈনবা স্কুলগী থাক্কি ওইবা শেল-থুমগী হিরমশিং (তলব, এরিয়ার, অনা-লায়েংগী, তুংদা লাক্কদবা অৱাৎ-অপাশীং অমসুং মসিগী চে-চাংশিং) কেস বুক মেন্টেন তৌবা, ওডিতিং অমদি তেক্সেসনগী মরমদা খঙজিনবা।

**অহুমশুবা য়ুনিতঃ ফিজিকেল অমসুং হ্যুমেন রিসোর্সপু মরম চানা শিজিন্নবাঃ**

- স্কুলগী অকোয়ববু ছাত্রশিংগী হরাও-তয়াম্বা অমদি নুংঙাইরবা মহৈ তম্ফম অমা ওইনা শেমগৎপা।
- স্কুলগী ইনফ্রাস্ট্রকচড়শিং অমসুং ফজনা শীজিন্নবা য়ারিবা ক্লাসরুমশিং শুনা লৈহন্নবগীদমক ডিপার্ট্মেন্ট অমদি কম্ম্যুনিটিগা তত্তনা পাও ফাওনবা।
- অহাংবা জগাশীং অমদি শান্নবুংশীং শেমগৎপা।
- ছাত্রশীংবু স্কুল অদুদা অশোয়-অঙাম য়াউদনবগীদমক অপুনবগী পাঙ্গলনা অথন্নবা মোডেল অমা শেমগৎপা অমসুং মদুদা চংবা মচাক-মথুমশিং থোমজিন-তাশিনবা।
- লৈরিবা হ্যুমেন রিসোর্সশিং অদু স্কুলগী থবক থৌরমশীংদা মতেং ওইনবা খ্বায়দগী ফরবা পাম্বৈ থিবা।
- অতোপ্পা স্কুলশীং, কম্ম্যুনিটি অমদি ডিপার্ট্মেন্টকা অচেৎপা মরি থন্নদুনা হ্যুমেন রিসোর্স মতিক চানা শিজিন্ননবা হোৎনবা।
- ওঝাশীং অমদি স্টাফশিংগী শিন-লাংবা অমদি চাগা-চাদিংগী ওইবা হিরমশীং অমগা-অমগা স্যার তৌমিন্নদুনা খঙমিন্নবা।

**মরিশুবা য়ুনিতঃ মশক থোকপা ৱারেপ লৌবদা ডাটাবেস মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিস্ট্যেম শিজিন্নবাঃ**

- মরি লৈনবা ডাটাবেস শেমগৎপা অমদি মদুবু ঙাক্তুনা থম্বনা স্কুলদা অহোংবা পুরক্কবগী ৱারেপ্তা মতেং পাংগনি।
- আই. সি. টি. দা য়ুম্ফম ওইবা ডাটাবেস অমা শেমগৎপনা ছাত্রশীংগী লমচৎ-শাজৎ অমদি মখোয়গী চাউখৎনবা হোৎননবা লম্বি শেম্বদা মতেং পাঙই।
- নীড-বেসড লার্নিংনা ছাত্রাশিংবু হেঙ্গৎ-থোইগৎনা মায় পাকহনবদা মতেং পাঙই।
- ওঝাশিংগী অমদি স্টাফশিংগী পার্সোনেল রেকোর্ডশিংবু মচা-খায়বা ওইহন্দুনা মদুবু শিজিন্নবদা খুদোংচাহনবনা সার্ভিসকি নিতি-নিয়মশিং ঙাকপদা মতেং ওইগনি।
- শেন-থুমগী ডাটাবেস অমদি রেকোর্ড থম্বা।
- ছাত্রশিং, ওঝাশিং অমদি মমা-মপাশিংগা মরি লৈনবা থৌওং-থৌশীল অমা শেম্বা, খুদম ওইনা ছাত্রশিংগী মিং চনবা, এটেন্ডেন্স, চহিগী ওইবা থৌরম পরেংশিং, তম্নবা মচাকশিং লেপথোকপা, মমা-মপাশিংগা ওঝাশিংগা উনবগী অমসুং পেন্দবগী ৱাকৎশিং অমদি পাওতাকশিং হঙ্গৎনা য়েংদুনা মদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপগী থৌওংশিং।

# স্পিসিয়েল ফোক্কস এরিয়া

ইন্দিয়াগী ফীবমদা লৈরিবা য়াম্না থেৎনবা স্কুল লিংবগী মওং অসি য়েংলগা ফ্রেমৱার্ক অসিনা তোঙান-তোঙানবা রাজ্যশিংদা মাগী-মাগী ওইবা মওংদা থেংনরিবা স্কুল এডুকেসনগী হীরমশিংদা থঙদোক্কদবা স্পিসিয়েল ফোক্কস এরিয়াশিং অদু খন্দোকপা ঙমহল্লি। স্পিসিয়েল ফোক্কস এরিয়াশিং অসিনা পীরিবা করিকুলম অসি রাজ্যগী ওইরিবা সোসিয়েল, ইকোনোমিকেল, জিওগ্রাফিকেল অমসুং এডুকেস্নেল চেলেঞ্জশিং অদু য়েংলগা পীবনি। চপ মান্নবা, অপিকপা অমসুং মল্টি-গ্রেড স্কুলশিংদসু অথন্নবা মীৎইয়েং চঙবা তাই।

## অহানবা স্পিসিয়েল ফোক্কস এরিয়া: লিডিং স্কুলস ইন ট্রাইবেল এরিয়াস

**কলচরদা, সোসিয়েলদা অমসুং ইকোনোমিদা ময়ামদগী তোপ-তোপ্না ট্রাইবেলগী লমদা লৈবা স্কুলশিংদা মীৎইয়েং থল্লি। ট্রাইবেলগী লমদা লৈবা অঙাংশিংগী স্কুলিং এক্সপরিয়েন্স অদু ৱাহন্তোক লৈবা অমসুং মরম চাবা ওইহন্নবা স্কুল লিডরশিংনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম, তঙায়ফদবশিং অমসুং পাল্লিবশিং অদু নিংথিনা থঙদক্কদবনি।**

**হায়রিবা মীৎয়েং অসিদা থন্নগদবা ৱাফম থরদি মখাদা পীরিঃ**

- স্কুল লিংলিবা মফমদুগী socio-cultural গী ফীভম থঙজিনবা
- ওঝাশিং অমসুং এডমিনিস্ট্রেটরশীংনা স্কুলদা পুরক্লিবা হোংদোক-হোংজিন তৌদবা, চন্নবা ৱাৎপা থৌওংশিং থঙদোকপা অমসুং থঙহনবা
- লোনগী থৈনবশিং অদু য়েংলগা ট্রাইবেল অঙাংশিংগী তঙায়ফদবশীংদু থঙজিনবা।
- স্কুল, কম্যুনিটি, অমসুং ইমুং থঙজিনবদা মরি লৈননা স্কুল কাদবা, স্কুল হোংখিবা অমসুং ওঝাশিংনা স্কুল কাদবা অসিসু থঙজিনদবনি।
- করিকুলম অদু চুনগদবা মওংদা শেমদোকপা, টেক্সবুকশিং পুথোকপা অমসুং অঙাংশিংবু মহৈ তম্বীবগী মওংশিং অদু করম্না ট্রাইবেলগী অঙাংশিংদা চুনহনবা।
- ট্রাইবেলগী লমদা স্কুল-কম্যুনিটিগী মরি।
- ট্রাইবেলশিংগী লমদা রেসিডেন্সিয়েল স্কুলশিংগী মেনেজমেন্ট অমদি এডমিনিস্ট্রেসন।

## অনিশুবা স্পিসিয়েল ফোকস এরিয়া: লিডিং টিচিং-লার্নিং ইন স্মোল, মল্টি গ্রেড স্কুলস

মসিগী স্পিসিয়েল এরিয়া অসিগী ফোকস অসি মল্টি-গ্রেড, সিঙ্গল-টিচর, টু-টিচর অমসুং অপিকপা স্কুলশিংদা স্কুল হেডশিংনা পাঙথোকপা মল্টিপল-রোলশিং অদুনি। হায়রিবা স্কুলশিং অসিগী মপুং ওইবা শক্তম অসি ওঝাশিংনা মথোয়গী রোল অদু করিনো খঙবা ৱৎপা, চুশিন্নহনগদবা মচাকশিং ৱৎপা, চঙগদবা মচাকশিং ৱৎপা অমসুং মতম শীজিন্নবদা হৈ-শিংবা ৱৎপা অসিনি।

- লৈকায়গী অমসুং মহৈ তম্বগী লমদা থেংনবা চৈথেংশিং খঙজিনবা
- সোসিয়ো-ইকোনোমিক অমসুং কলচরেল ডাইভর্সিটিশিং অদুগা চুংশিন্নগদবা পাক-চাওনা কোনবা ঙমগদবা ফীভম শেম্বা
- করিকুলম অদু হৈনবা শীজিন্নবা, য়াম্না চুমগদবা থাক-থাক্কি মতুং ইন্না চুনবা TLMs শেম্বা, মহৈ তম্লিবা অদু চাংয়েং তৌনবা মওংশিং ফগৎহনবা অসিনি।
- মহৈরোয় য়েংশিনবাঃ মহৈরোয়শিংগা পাউ ফাওনবা, ফম্ফম শিনবা, মহৈরোয় য়েংশিনবা অমসুং শৌগৎপা
- পুন্না মহৈ তম্মিন্নবাঃ গ্রেড লেবেলশিংগী পরিংদা, মান্নবা মশেলনা তাকপিবা, চহি থেৎনবা পুল্লগা তাকপিবা
- মল্টি-গ্রেড ওইবা স্কুলশিংদা ওঝা অমসুং মহৈরোয়শিংনা মতম্বু কান্ননা শীজিন্নবা।

## অহুমশুবা স্পিসিয়েল ফোকস এরিয়া: লিডীং স্কুলস ইন কনফ্লিক্ত এরিয়াস

চয়েৎনবা লৈবা অমসুং অচৌবা চৈথেং থোকপা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা মীয়ামগী নোংমা-নোংমগী পুন্সিদা চাওনা চৈথেং পীরি। অসিগুম্বা মফমদা লৈবা স্কুলশিংনা মথল কয়াগী অৱাবা মায়োকনরি; স্কুলগী মখৌ তৌগদবা অদু তম্বা ঙমদবা, অঙাংশিং অমসুং স্টাফশিংগী মরক্তা পুক্নিংগী লায়না অমসুং অকিবা অসিনচিংবা। অসিগুম্বা মতাং অসিদা স্কুল হেড অদুনা স্কুলদুগী নোংম-নোংমগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা অৱাবা ময়াম অমা মায়োক্নৈ, শন্না হায়রবদা অঙাংশিংবু স্কুল হনবদা মীয়ামগা মরি থম্নবা হোংনবদা অমসুং মীয়াম্বু স্কুলশিংগী থবক থৌরমশীংদা শরুক য়াহন্বদা। অসিগুম্বা চৈথেংশিং অসি ঙসিগী স্পিসিয়েল ফোকস এরিয়া অসিনা মায় ওনশিল্লি।

- পুক্নিংগী লায়না অমসুং অকিবা হায়বসিবু মায়োক্নবা ঙমহনবা অঙাংশিংবু চৈঙাক পীনবা সিস্টেম শাগৎপা
- স্ট্রেস ফ্রি ওইবা, চাইল্ড-সেন্ট্রিক ওইবা ক্লাস্রুম অমা ওইহনবা

- পেরেন্টশিংগী মতেংনা থোকহল্লিংদবা থৌদোক থোক্লক্তনবা স্কুলগী অকোয়দা প্রোটেক্টিভ সিল্ড অমা থম্বা
- অঙাংশিং অমসুং স্কুলগী অপাম্বা ঙাক-শেনবিবা অমদি তেক্ত-কায়দনা থম্নবগীদমক মীয়াম অমদি পুলিসকি মতেং থোম্বা
- মহৈরোয়শিং, ওঝাশিং অমসুং স্টাফশিং মখোনা পীবা চৈঙাক পীবা অমসুং মখোয়বু শেম-শাদুনা মখোয়বু অচুম্বা মীৎয়েং লৈহন্দুনা অমসুং মখোয় মশেলগী মনুংদা পুক্নিং থৌগৎনদুনা ওইরকপা ফীভমশিংবু মায়োকনবা ঙমহনবা

তশেংনা ওইরিবা পুন্সিগী ফীভম অদু কুপ্পা য়েংশিন্দুনা মদু স্কুলশিংদা থন্নবা অমসুং মদুবু মহৈ-মশিং তম্বগী থৌরমদা তিনশিলহনবা।

## মরিশূবা স্পিসিয়েল ফোকস এরিয়াঃ খুদোংচাদবা জিওগ্রাফিকেলগী ফীভমশিং

নোং কা হেন্না চুবা, মরুভুমি, চীংগী লম অমসুং শমুদ্রা থোঙবানগী মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিংনা মখৌ পাঙথোকপদা চহি অমগী মনুংদা মতম থরদি অথন্নবা থোঙথাং অমদি মীৎয়েং চঙই। মসিদা ফিজিকেল ইনফ্রাস্ট্রকচর ফেসিলিটিশিং পীবগী মখৌ তাই। অমসুং অইং-অশাগী ওন্নবনা স্কুলগী থবক্তা চৈথেং পীরকপদা মায়োকনবা ঙন্নবা শেম-শাবা। মরম অদুনা ফীভমশিং অসি নিংখিনা থেংনবা ঙন্নবা স্কুল হেডশিংবু শেমগৎপা হায়বসি পান্দম অমনি।

- জিওগ্রাফি অমসুং ক্লাইমেৎকি ওইবা অওনবা, অহোংবা অদু য়েংলগা সিজন-স্পেসিফিক টাইম-টেবল শেমদুনা চৎনহনবা।
- কম্যুনিটি লিডরশিং অমসুং মমা-মপা ওইবশিংগা খুৎশন্নদুনা হোৎনরগা অঙাংশিংগী স্কুলশিং লেপহন্দনবা, স্কুল থাদোকহন্দনবা অমসুং স্কুল কাবা লেপহন্দনবা।
- চুনগদবা ইনফ্রাস্ট্রকচর শেমদুনা এডুকেসন অমসুং MDM গী মপোৎ-মচৈ স্কুলদা থম্বা। মদুনা হকথেংননা তঙায়ফদবা লৈবা মতমদুদা শীজিন্নবা।
- ক্লাইমেৎকি ওইবা কা-হেন্না অহোংবা লৈবা মতমদা ওঝাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু মায়োক্লবা ঙমহনবা।
- কম্যুনিটিগা থোঙবু ওইমিন্নদুনা খুদোংচাদবশিং লাকপদা থেংনবা ঙন্নবা শিনবা

করিকুলম অসিনা স্কুল হেডশিংবু অৱাবা কোকহনবা ঙম্বা অমসুং ৱারেপ লৌবা ঙম্বা ওইনবা চৈঙাক পীদুনা থন্নবা ৱাফমশিং অমসুং চৈথেংশিংবু থেৎনহল্লি।

# মেটরিয়েল ডিভেল্পমেন্ট
# এডাপ্টেসন্স এন্ড কন্টেকচুৱেলাইজেসন

কি এরিয়া খুদিংমক্কি ই-পাউ ফাওনবা অমসুং পাবদা লায়বা মেটরিয়েলশিং শেমগনি অমসুং মসিগী মনুংদা য়াওরিবা তম্নবা পান্দমশিং অদু স্কুল এডুকেসনগী মরু ওইবা অকুপ্পা ৱাফমশিং ওইগনি। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফঙলকপা মচাকশিংদগী শেম্বা মোড্যুলশিং পুন্না য়াওহনগনি। হায়রিবা লমতাক-লমজিংগী মচাকশিং অসিনা রিছোর্স গ্রুপ অমসুং রিছোর্স পার্সোনেলশিংবু স্কুল হেডশিংবু লোয়নবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মফম-মতমদা খুৎলোয়ননা শীজিন্নবা য়ানবা শীন্দোকপা ঙমহনগনিঃ

- টারগেত স্পেসিফিক মোদ্যুলশিং: ইলিমেন্টরি, সেকেন্ডরি অমসুং হায়র সেকেন্ডরি স্কুলশিংগী স্কুল হেডশিংগী তঙায়ফদবশিং মচাকশিং অদু পীরি লোয়ননা স্কুল হেডশিংগী মরক্তা ইচং-থৌবা মাংজিল থাগদবশিং অদুগী তোঙানবা মচাকশিং অদুসু পীরি।
- ইশু-স্পেসিফিক মোড্যুলঃ লৈবাকসিদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংনা থেংনবা চুনহন্নবা হোৎনবদা থেংনবা কন্টেকচুয়েল চেলেঞ্জশিং অমসুং ইশুশিং মায়োক্নবা।

রাজ্যশিংদগী ফংলকপা কেস স্টডিশিং, থোমজিল্লিবা মচাকশিং অদুদা য়াওগনি। রাজ্যগী স্কুলশিংগী ওইরিবা ফীভমশিং অদুদা য়াম্না চুননা পুরক্কদৌরিবা করিকুলম ফ্রেমৱার্ক অমসুং মেটরিয়েলশিং অসি স্টেট রিছোর্স গ্রুপকা ৱার্ক্সোপ কয়া পাঙথোক্লবা মতুংদা শাগৎলক্কদবনি।

# নেস্লেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ – এন.য়ু.ই.প.এ.

স্কুলশিংদা অওনবা পুরক্কুনা ক্কালিটি এডুকেসন পীদুনা অফবা সেন্টর অমা ওইহনবদা য়াম্না মতিক চাবা অহোংবা অমসুং অওনবা পুরক্লবগী থৌরমদা হৈ-শিংবা লিদরসিপ অমা তঙায়ফদে। মতম-মতমগী ওইনা NUEPA না স্কুলগী হেডশিং অমসুং এডমিনিস্ট্রেটড়শিং পুলহন্দুনা ওইরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লি লোয়ননা মখোয়গী এক্সপরিয়েন্সশিং অদু অমগা-অমগা খঙমিন্নহল্লি। অদুবু থবক অসি হেন্না খুমাং চাওশিনহনবা তারি হায়না লৌই। অদুনা NUEPA গী মনুংদা নেস্লেল সেন্টর ফোড় স্কুল লিদড়সিপ লিংবা অসিমক মায়কৈ শোমদা থাঙজিনবা খোংথাং অমনি।

NCSL না মরু ওইনা লৌরিবসি অহোংবা অমা পুরক্লবগীদমক লিদরসিপ কেপাসিটিশিং শেমগতপা, লোয়ননা স্কুলশিংদা অওনবা অমা পুরকপা অসিনি। হায়রিবা মিসন অসি ফংনবা সেন্টরসিনা স্কুল হেডশিংগী ওইবা কেপাসিটি ব্যুল্ডিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা, মদুগী করিকুলম অদু স্কুলশিংনা লৈরিবা মফমশিং তোঙান-তোঙানবা রাজ্যশিংগী ইশুশিং অমসুং তঙায়ফদবা ময়ম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বা ওইগনি, মরু ওইনা স্কুল এডুকেসনগী লমদা লৈরিবা খেৎনবশিং য়াওনা মখল-মখলগী এক্সপরিয়েন্সশিং মওং চুন্না খঙমিন্ননবা সেন্টর অসিনা স্কুলশিং অমসুং মরি লৈনবা রিসর্স ইন্সটিট্যুটশিংগা খুৎশম্নহনগনি। মসিনা পাকথোক-চাওথোকনা তমশিনবা অমসুং পুন্না প্রোব্লেম সোল্ভিং তৌমিন্নবা ঙমহনগনি। য়াম্না মওং-মরিল চুম্বা মওংদা অমসুং ইন্সটিট্যুটকি থাক্তা ইভিদেন্স-বেজ ডিসিজন মেকিংবু পুক্নিং থৌগৎনবা লিদরসিপ অমসুং স্কুল এডুকেসনগী লমদা রিসর্স তৌনবা সেন্টর অসিনা শিনগনি। সেন্টর অসিনা লিদরসিপ অমসুং স্কুল এডুকেসন অসি পুবগী থবক-থৌরমশিংদা চাওখৎহন্নবা মপুং ওইবা থৌদাং লৌগনি।

লিডরসিপ প্রোগ্রামশিং অদুনা হৌজিক ওইরিবা অমসুং নৌনা হাপচিল্লকপা স্কুলগী প্রিন্সিপালশিং অমসুং এডমিনিস্ট্রটড়শিং লোয়ননা সেনিয়র ওঝাশিং কোনগনি। মসিদা গোভর্মেন্টকি অমসুং গোভর্মেন্ট এডেদ সেক্টরগী ইলিমেন্টরিদগী সেকেন্ডরি থাক্কি স্কুলশিং কোনশিনগনি। প্রোগ্রাম অসিগী তঙায়ফদবসি ইন্সটিট্যুটকি, খুঙ্গংগী, ডিস্ট্রিক্টকি, রাজ্যগী অমসুং রাস্ট্রগী থাক্তা লিদরসিপ শাগৎপা অসিনি। অদুগা মদুনা স্কুলশিং অমসুং স্কুল এডুকেসন মওং-মরিলশিং শীন্নবা অমসুং লমজিংলিবা হায়বসি হোংদোকপা ঙমহনবা অসিনি।

নেস্নেল সেন্টর ফোর স্কুল লিডরসিপ

নেস্নেল য়ুনিভর্সিটি ওফ এজুকেস্নেল প্লান্নিং এন্ড এডমিনিস্ট্রেসন

১৭-বি, শ্রী ঔরোবিন্দো মারগ, নিয়ু ডেলি - ১১০০১৬

EPABX Nos. : 26565600, 26544800

Fax : 91-011-26853041, 26865180